ওনলাইন নেসনল ৰুশু চেম্পিয়নশিপ

# ৱাংখৈরাকপম নিংথিবী, জোল্লিসন থাংজম অমদি হঞ্জবম লাংলেনতোম্বী গোল্ড মেদল লৌখ্রে





ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচএনএস):
ৰুশু এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়ানা শীন্দুনা পাঙথোকপা ওললাইন নেসনল ৰুশু চেম্পিয়নশিপ ২০২০গী নীনি চনবা নুমিৎতা ৱাংখৈরাকপম নিংথিবী, জোল্লিসন থাংজম অমদি হঞ্জবম লাংলেনতোম্বীনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রে।

পনবা য়াবদি, কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লোকদাউন লৈবনা শান্নরোয়শিং পুন্দুনা কম্পিটিসন তৌবা য়াদবনা মরম ওইরগা স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুগী য়াথং মতুংইন্না ওনলাইনগী মতেংনা নেসনল ৰুশু চেম্পিয়নশিপ অসি পাঙথোকপনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী নীনি চনবা নুমৎতা মেদল লৌবা ঙমখিবা মণিপুরগী ৰুশু শান্নরোয়শিং অদুদি নুপীমচাগী জুনিয়র চাঙক্কান ইভেন্টতা ৱাংখৈরাকপম নিংথিবীনা গোল্ড, য়েংখোম গীতানা সিলভর, তোংব্রম সয়ানা সিলভর লৌবা ঙমখি। নুপীমচাগী সব-জুনিয়র ননক্কান ইভেন্টতা হঞ্জবম লাংলেনতোম্বীনা গোল্ড, নুপামচাগী সব জুনিয়র ননক্কান ইভেন্টতা জোল্লিসন থাংজমনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি।

# কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন ফংদ্রি ফাওবা ভাবক য়াওদবা ফুটবোলনা মশান্না অসিগী অনৌবা শক্তম অমা ওইরগনি : পোৎশংবম রেনেদি

কোলকটা, মে ১৯ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী ফুটবোলগী লম্দা মমিং লৈরবা শান্নরোয় অমা ওইরম্বা মণিপুরগী পোৎশংবম রেনেদিনা ফোঙদোরকপদা মালেম শীনবা থুংনা মীয়াম্না মায়োক্লুরিবা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন অমা ফংদ্রি ফাওবা ভাবক য়াওদবা ফুটবোলনা মশান্না অসিগী অনৌবাশক্তম অমা ওইরগনি হায়খ্রে।

মমিং লৈরবা ইন্দিয়াগী পাউচে অমগা ৱারী শানবদা পীরকপা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না রেনেদিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মালেমগী ওইনা লায়না লাইচৎ অসিনা মার্চ লোইশিল্লকপদগী থম্লকখিবা লোকদাউননা মরম ওইদুনা লৈবাক খুদিংমক্তা ফুটবোল মশান্না য়াওনা শান্নবগী ইভেন্ট পুম্নমক লেপ্তুনা লাকপনি।



অদুবু জর্মনিগী বুন্দেসলিগা ইকুই কুইদনা ভাবক য়াওদনা ৱাৎহৌবা মেচশিং শান্নবা হৌরকপা, এসিয়াগী ওইনা কোরিয়া লীগ মখা তারকপা অসিনা ফুটবোল মশান্না অসি ভাবক য়াওদনা শান্নবনা অনৌবা শক্তম অমা ওইরক্লি।

জর্মনিনা থৌনা ফনা ভাবক য়াওদনা খ্বাইদগী থাকৱাংবা টুর্নামেন্ট বুন্দেসলিগা হৌখ্রবা মতুং ইংলেন্দ, স্পেন অমসুং ইটালিনা মখোয়গী লীগশিংসু হৌনবা কৃপ্না য়েংশিল্লি।

ভাবকশিংগী ওইনদি ফুটবোল মেচশিং অসি ষ্টেদিয়মদা মখোয়না পামজবা ক্লবশিংগী শান্নরোয়শিং অদুনা শান্নবা অদু য়েংবা ফংদ্রবসু টেলিভিজনগী খৃথাংদা য়েংবগী খুদোংচাবা অমা লৈরি।

ইন্দিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল লীগ ওইরিবা ইন্দিয়ন সুপর লীগকী লোইশিনবগী মেচশিং অদু ভাবক য়াওদনা শান্নখি। অদুবু আই লীগকী ওইনদি লোইশিনবা ঙমদনা তোকখি।

রেনেদিনা মখা তারদুনা, ভাবক য়াওদবা ফুটবোল অসি মগুন ৱাংলবসু মশান্না অসিবু পামজবা মীওই কয়া অমনা লেপ্তুনা লৈখিবা মেচশিং ময়ূম-ময়ূমদগী টেলিভিজনগী খৃথাংদা য়েংবা ফংলগনি। মখোয়গী খৌরাংবশিং অদু খরমখৈদি কোকপা ঙম্লগনি।

মরক অসিদা, ইন্দিয়াগী ফুটবোল কেপ্তেন ওইরম্বা বৈচুং ভুটিয়ানা ফোঙদোকখিবদা, ফুটবোল মশান্না অসি ভাবক য়াওদনা শান্নবদা অদুমক হিংখিগনি। অদুবু ক্রিকেট মশান্নগী ওইনদি অৱাবা অমা ওইগদৌরি হায়খি।

য়ুরোপকী ওইনা জর্মনিগী বুন্দেসলিগা শান্নবা হৌদ্রিঙৈদা বেলারস লৈবাক্কী ওইনা লোকদাউন লৈনা লৈনা ভাবক য়াওদনা লৈবাক অদুগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল লীগ ওইরিবা বেলারসিয়ন প্রেমিয়র লীগ শান্নবা হৌখ্রবনি। হৌজিকসু শান্নরি।

লৈবাক অসিগী লৈঙাক অমদি ফুটবোলগী ওথোরিটিগী মায়কৈদগী লৌখৎলকপা খোঙথাং অদু য়েংলুরগা জর্মনিগী বুন্দেসলিগাসু হৌরকখিবনি।

কোভিদ-১৯না শোকহনবগী চাং বেলারসকা জর্মনিগা য়েংনবদা জর্মনিনা হেল্লবসু লৈবাক অদুগী ওথোরিটিনা পীরকপা কোভিদ-১৯ মায়োক্লবগী চৎন-কাঙলোনশিং অদু মরীক চুম্না শান্নরোয়শিং অমদি সপোর্ট ষ্টাফশিংনা ইন্দুনা কুমজা ২০২০-২১গী লোইশিলহৌদবা সিজন অদু মখা তানা হৌরকপনি।

খোঙথাং অসিনা অতোপ্পা য়ুরোপকী মমিং লৈরবা লৈবাকশিংদা পাঙথোক্লিবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিং অদুসু ভাবক য়াওদনা শুংশোয় শোয়দনা পাঙথোরকপা য়াবগী অচৌবা খুদোংচাবা লৈ হায়না রেনেদিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

বুন্দেসলিগা ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# বেয়র লেবরকুসেননা ৱার্দর ব্রিমেনবু পাঞ্জল ৪-১দা মায়থীবা পীদুনা মঙাশুবা পোজিসন অদুমক কনবা ঙম্লি





বর্লিন, মে ১৯ (এজেন্সী):
য়ুরোপতা মমিং লৈবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা জর্মনিগী বুন্দেসলিগানা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ চৈথেং মনুংদা মায় পাক্লা সিজনগী লেমহৌবা লীগ মেচশিং মখা তানা শান্নরকপদা বেয়র লেবরকুসেননা ৱার্দর ব্রিমেনবু পাঞ্জল ৪-১দা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ টেবলদা মঙাশুবা পোজিসন অদু অদুমক কনবা ঙম্লি।

ঙরাং অথেংবদা ৱোনিভেষ্ট ৱেজর ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ২৬শুবা রাউন্দগী মেচ অদুদা বেয়র লেবরকুসেনগী মায়কৈদগী হৌবদগী লোইবা ফাওবা অহেনবা ফুটবোল মশান্না উৎপা ঙমখিবগা লোয়ননা টিম অদুগী লম্বা ওইখিবা ৱার্দর ব্রিমেনবু পাঞ্জল ৪-১দা থোইবা ঙমখি।

লোকদাউন মমাঙদা বেয়র লেবরকুসেন টিম ১৮না লম্বা তৌনবা বুন্দেসলিগাগী পোইন্ট টেবলদা পূন্না মেচ ২৫ শান্নখিবদা পোইন্ট ৪৭ ফংদুনা মঙাশুবা পোজিসন্দা লৈখিবনি। ঙরাংগী মেচ অদুদসু মখোয়না মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৫০ য়ৌরগা পোজিসন অদুদগী লেংদনা লৈরি।

ঙরাংগী মেচ অদুগী অহৌবা মিনট ২৫ রোম ৱোর্দর ব্রিমেনগী মায়কৈদগী অকনবা প্রেসর লৈদুনা বেয়র লেবরকুসেন পাঞ্জল চনবা ঙমখিদে। ২৮শুবা মিনিটতা টিম অদুগী মোসা দিয়াবিনা পীরকপা বোল অমদা টিমনেট কাই হার্বর্টসনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি।

অথুবা মতমদা ৱোর্দর ব্রিমেনগী মায়কৈদগী লিওনার্দো বিটেনকোটনা খাইদোরকপা বোল অমদা থিওদোর গেব্রেনা ইক্কেলাইজর অদু শান্নবগী ৩০শুবা মিনটতা চনখি। লেবরকুসেনগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা কাই হেবর্টসনা ৩৩শুবা মিনটতা টিমমেট কেরেম দেমিরবেনা পীরকপা বোল অমদা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চন্দুনা অহানবা হাফ অদুদা ৱোর্দর ব্রিমেনবু ২-১দা মাঙজিল থাখি।

অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল অমা শোথখিবা ৱোর্দর ব্রিমেন অনীশুবা হাফ হৌরকপদগী ইক্কেলাইজর অদু ফংনবা য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। নাকল অমরোমদা লেবরকুসেনগী মোসাদিয়াবিনা অমুক হন্না পীখিবা পাস অমদা মিটচেল ৱেজরনা ৬১শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা চনশিনখি।

পাঞ্জল ৩-১দা মাঙজিল থারবা বেয়র লেবরকুসেনগী মায়কৈদগী মখা তানা এটেক লেপ্তুনা চথুরকপদগী মেচকী ৭৮শুবা মিনটতা করিম বেলারাবিনা পীখিবা বোল অমদা টিমমেট কেরেম দেমিরবেনা পাঞ্জল অমগা চল্লগা মেচ অদু ৪-১দা থোইখি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | FC Bayern München | 25 | 17 | 4 | 4 | 73 | 26 | 47 | 55 |
| 2 | Borussia Dortmund | 26 | 16 | 6 | 4 | 72 | 33 | 39 | 54 |
| 3 | Borussia Mönchen | 26 | 16 | 4 | 6 | 52 | 31 | 21 | 52 |
| 4 | RasenBallsport Leipzig | 26 | 14 | 9 | 3 | 63 | 27 | 36 | 51 |
| 5 | Bayer Leverkusen | 26 | 15 | 5 | 6 | 49 | 31 | 18 | 50 |
| 6 | Wolfsburg | 26 | 10 | 9 | 7 | 36 | 31 | 5 | 39 |
| 7 | Freiburg | 26 | 10 | 7 | 9 | 35 | 36 | -1 | 37 |
| 8 | Schalke 04 | 26 | 9 | 10 | 7 | 33 | 40 | -7 | 37 |
| 9 | Hoffenheim | 26 | 10 | 5 | 11 | 35 | 46 | -11 | 35 |
| 10 | 1. FC Köln | 26 | 10 | 3 | 13 | 41 | 47 | -6 | 33 |
| 11 | Hertha BSC | 26 | 8 | 7 | 11 | 35 | 48 | -13 | 31 |
| 12 | 1. FC Union Berlin | 25 | 9 | 3 | 13 | 32 | 41 | -9 | 30 |
| 13 | Eintracht Frankfurt | 25 | 8 | 4 | 13 | 39 | 44 | -5 | 28 |
| 14 | Augsburg | 26 | 7 | 6 | 13 | 37 | 54 | -17 | 27 |
| 15 | Mainz 05 | 26 | 8 | 3 | 15 | 36 | 55 | -19 | 27 |
| 16 | Fortuna Düsseldorf | 26 | 5 | 8 | 13 | 27 | 50 | -23 | 23 |
| 17 | Werder Bremen | 25 | 4 | 6 | 15 | 28 | 59 | -31 | 18 |
| 18 | SC Paderborn 07 | 26 | 4 | 5 | 17 | 30 | 54 | -24 | 17 |

# এথলেটিক্স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা আউটদোর ত্রেনিংগী অয়াবা পীখ্রে, খূৎ শোক্লবা, কোন্নবা অমসুং তিন শিংপা য়ারোইদৌরি



ন্যু দিল্লি, মে ১৯ (এজেন্সী):
ইন্দিয়া লৈঙাক্না নৌনা লাউথোকখিবা কোভিদ-১৯গী লোকদাউন ৪.০গী কাঙলোনশিংগী মতুংইন্না এথলেটিক্স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (এ এফ আই) না এথলেটশিংনা ফিল্ডদা থোক্তুনা আউটদোর ত্রেনিং চথবদা অয়াবা পীখ্রে। অদুবু শান্নরোয়শিংনা ত্রেনিং চথুরিঙৈ মনুংদা খূৎ শোক্লবা, কোন্নবা অমদি তিন শিংপদা অথিংবা থমগদৌরি।

পঞ্জাবকী পটিয়ালাদা লৈবা নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ স্পোর্টস (এন আই এস) অমসুং বেঙ্গালুরুদা লৈবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (এস এ আই) সেন্টর ওফ এক্সিলেন্সতা লৈরিবা এথলেটশিংদা আউটদোর ত্রেনিং অমসুং জিম ত্রেনিং চথবদা অয়াবা পীখিবনি।

এ এফ আইনা হায়রিবা ত্রেনিং সেন্টর অনী অসিদা চহীসিগী মার্চ ২৫দগী লৈবাক শীনবা থুংনা লোকদাউন লৈরকপনা শান্নরোয় পুম্নমক মখোয় মখোয়গী কাদগী হেন্দোক্তনা মশাগী ওইবা ইন্দিভিজুএল শাজেল নত্তনা জিম অমসুং ফিল্ডদা থোকপা য়াদনা লৈরকপনি।

লমায় ৯ পানবা এ এফ আইনা পীখিবা ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজর (এস ও পি) গী মতুংইন্না শান্নরোয়শিংনা পীরিবা কাঙলোনশিং অদু ইন্দুনা ত্রেনিং সেন্টরশিং অদুদা লৈরিবা আউটদোর ফিল্ডদা মখোয় মখোয়গী মশান্না অদুগী ওইবা ত্রেনিং চথবা য়াহনগদৌরিবনি।

পটিয়ালাগী এন আই এসতা ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান জেবলিন থ্রোৱর নিরজ চোপ্রা য়াওনা অতোপ্পা ত্রেক এন্দ ফিল্ডগী এথলেট কয়া অমা লৈরিবনি।

অমরোমদা, বেঙ্গালুরুগী সাই সেন্টর ওফ এক্সিলেন্সতা ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী হোকি টিমগী শান্নরোয়শিংনা লৈরি।

এ এফ আইগী এস ও পি অদুদা শান্নরোয়শিংনা ত্রেনিং চথবা মতমদা খূৎ শোক্লবা, কোন্নবা, তিন শিংপা অমসুং পূন্না চৎমিন্নবা য়াহল্লোইদৌরি।

খূৎনা পায়গদবা শান্নবগী ইক্কিপমেন্টশিং - জেবলিন, দিস্কস, বেটোন্স অমদি হোকি ষ্টিকনচিংবশিং অসি শান্নদ্রিঙৈ মাঙওইননা অমদি লোইরবা মতুংদা সেনিটাইজ তৌগদবনি।

মশান্নশিং অসিগী কোচ অমদি সপোর্ট ষ্টাফশিংনা ত্রেনিং মনুংদা শান্নরোয়শিংবু সোসল দিষ্টেন্সিং থম্নবগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়রি।

শান্নরোয়শিংনা শম ককফম/ব্যুটি পার্লর/সোপিং মোলশিংদা চৎপদা অকনবা অথিংবা থল্লি।

# ইষ্ট বেঙ্গলগী শান্নরোয়শিং অমদি কোচিং ষ্টাফশিং মখোয়গী ফ্লেটশিং অদু থা অসিগী ৩১ ফাওবগী মনুংদা হাঙহন্নবা খঙহনখ্রে



কোলকটা, মে ১৯ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব অমা ওইরিবা ইষ্ট বেঙ্গলগী শান্নরোয়শিং অমদি কোচিং ষ্টাফশিং অদু ক্লব অসিগী ইনভেষ্টর ওইরিবা 'ক্বেশ' না মখোয় মখোয়গী ফ্লেটশিং অদুদগী কোন্ত্রেক্টকী মতম লোইশিল্লকপা মরমনা থা অসিগী ৩১ ফাওবগী মনুংদা লৈফমশিং অদু থাদোক্লবা খঙহল্লকখ্রে।

ৱাফম অসি টিম মেনেজমেন্টকী মায়কৈদগী মকোক থোংবা ওফিসরনা মশক তাক্তনা পাউগী এজেন্সি অমদা ফোঙদোরকপনি।

ক্লব অসিনা ইনভেষ্টর ওইরিবা ক্বেশকা কোন্ত্রেক্ট ইন্নবা মতম অদু থা অসিগী ৩১দা লোইরবসু হৌজিক লৈবাক অসি শীনবা থুংনা মায়োক্লুরিবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ মনুং অসিদা কদাইদা চৎকদগে হায়বগী অচৌবা ৱাহং অমা হংলক্লি।

ইনভেষ্টর অদুনা শান্নরোয় অমদি কোচিং ষ্টাফকীদমক্তা অসিগুম্বা লৈবাক্কী ওইবা পেন্দেমিক মতমদা মখোয়গী লৈফম শীনবীগদবনি। এয়রপোর্ট অমদি রেলৱে ষ্টেসন পুম্নমক থিংদুনা লৈরিঙৈ করম্বা মতমদা কোমথোরক্কনি খল্লিঙৈ অসিদা শান্নরোয় অমদি ষ্টাফশিং অদুবু মখোয় মখোয়গী ফ্লেটশিং থাদোরক্লুবা খঙহল্লকপা অসি মতম চাদে হায়খি।

ক্লব অসিদা শরুক য়ারিবা ফোরেন শান্নরোয়শিংনা মখোয় মখোয়গী লৈবাক্কী এম্বেসিশিংদা পাউ ফাওননবা হোৎনগদৌরি হায়না অতোপ্পা থাজবা য়াবা পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

বেঙ্গালুরুদা বেজ তৌবা ক্বেশ কম্পেনিনা ইষ্ট বেঙ্গল ফুটবোল ক্লবতা শেল থাদদুনা মতম শাংনা লৈরক্লবা মতুং থা অসিগী ৩১দা কোন্ত্রেক্ট অদু লোইশিনগদৌরিবনি।

হীরম অসিগী মতাংদা পাউগী এজেন্সি অসিনা ক্বেশ কম্পেনিগী ওফিসলশিংগা ৱারী শাননবা হোৎনবদা মায় পাকপা ঙমখিদে।

মরক অসিদা ইষ্ট বেঙ্গলগী ফুটবোল শান্নরোয়শিংদা ক্বেশনা খঙহৌদনা কোন্ত্রেক্ট অদু লোইশিনবগী ৱাফম থম্লকপা অদুদা পেন্দদুনা ফুটবোল প্লেয়রস এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়া অমসুং ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনদা ইনভেষ্টর অদুদগী কম্পেন্সেসন পীননবগী ৱাকৎপসু লৈখ্রবনি।

# কুম্বলেনা লুচিংবা ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সিলগী কম্মিটিনা ক্রিকেট বোল লংহন্নবা তিন তৈবদা অথিংবা থম্নবা হায়খ্রে



মুম্বাই, মে ১৯ (এজেন্সী):
মমিং লৈরবা ইন্দিয়াগী স্পিনর ওইরম্বা অনিল কুম্বলেনা লুচিংবা ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সিলগী কম্মিটিনা কোরোনাভাইরস লায়না লাইচৎ মনুং অসিদা মখল খুদিংগী ক্রিকেট শান্নবা মতমদা বোল অদু লংহন্নবা তিন তৈবদা অথিংবা থম্নবা হায়খ্রে।

আই সী সীগী ক্রিকেট কম্মিটি অদুনা ঙরাং ভিদিও কনফরেন্সিংগী খৃথাংদা ৱারী শানদুনা কম্মিটি অসিগী মেদিকেল এদভাইজরি কম্মিটিগী লুচিংবা ডা. পিটর হারকোটনা চ্যের লৌরগা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা কোভিদ-১৯ লায়না অসি তিনগী খৃথাংদা শন্দোকপগী চাং য়াম্না ৱাংবা মরম্না শান্নরোয়শিংনা বোল লংবা মতমদা মমাঙঙৈদা তিন থাক্তুনা বোল অদুবু হেন্না লংহন্নবা হোৎনবা অদুদা অথিংবা থম্লকপনি।

কম্মিটি অদুনা মেদিকেল এদভাইসকী মতুংইন্না ভাইরস অসি হুমাংগী খৃথাংদদি শন্দোকপগী চাং য়াম্না নেম্বা মরম্না বোল লংহন্নবা হোৎনবদা তিনগী মহুত্তা হুমাং শীজিন্নবদি অথিংবা থল্লি। লোয়ননা শান্নরিঙৈ মনুংদা শান্নরোয়শিংনা হায়জিনগী ওইবা থবক থৌরমশিং অদুদা অহেনবা পূক্নিং চঙহন্নীংই হায়খি।

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ মনুংদা ইন্টরনেসনল ক্রিকেট মেচ অমা শান্নবা মতমদা ক্বারন্টিন তৌবগী তঙাইফদবা লৈবনা হান্না লৈরম্বা অম্পয়রশিংগী মহুত্তা লৈবাক অদুগী ওইবা অম্পয়রশিং খন্ননবা ৱাফম পুথোকখি।

মখা তানা কম্মিটিগী মীফম অদুনা অতোপ্পা লৈবাক্কী অম্পয়রশিংনা শান্নরিবা লৈবাক অদুদা লাক্তদুনা লোকল অম্পয়রশিং শীজিন্নগদবা মরম্না দিসিজন রিভিয়ু সিষ্টম (দি আর এস) শীজিন্নবগী চাং অদু হেনগৎনবা খন্নখি।

আই সী সীগী মখাদা রেফরি অমসুং অম্পয়রগী টিম অমা লৈরিবনি। করিগুম্বা কম্মিটি অসিনা শেমখিবা এলিট ইন্টরনেসনল রেফরি অমসুং অম্পয়রগী মনুংদা লৈবাক অদুদা লৈবা মীওই য়াওদ্রবদি লোকলগী রেফরিশিং শীজিন্নগদৌরিবনি।

অনিল কুম্বলেনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ মনুং অসিদা কম্মিটিনা লৌখিবা ৱারেপশিং অদু ক্রিকেট মশান্না অসিদা শরুক য়ারিবা মীপূম খুদিংমক্কী শাফনবা মতম খরগী ওইনা লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাংনি।

মরম অদুনা ক্রিকেট মশান্নগী হৌজিক থিংদুনা লৈরিবা ফীভম অসি অমুক হন্না শান্নবা য়ানবগী পান্দমদা আই সী সীগী মেদিকেল এদভাইজরি কম্মিটিগী অকৃপ্পা ৱারোলশিং খন্ন-নৈনরবা মতুং ভিদিও কনফরেন্সিংগী খৃথাংদা কম্মিটিগী চ্যেরমেন ওইখিবা অনিল কুম্বলেনা নৌনা লৌখৎলক্লিবা শান্নবদা বোলরশিংনা বোলদা তিন তৈশিন্দবগী ৱাফম অসি শান্নরোয় পুম্নমক্কী শাফবা ওইনবা লৌখৎলকপা খোঙথাংনি হায়খি।




HL/B/6099/23 April to ...

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com